এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) : খেলেন থোকচোম ট্রষ্টনা খেলেন থোকচোম মীদিয়া ফেলোশিপকী এপ্লিকেসন কৌরি। মীদিয়া ফেলোশিপ অসি থা ৬কী ওইনা পীগনি। এপ্লাই তৌনিংবশিংনা নম্বর ০৩৮৫ ২৪৪১২১১ দা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি হায়না খেলেন থোকচোম ট্রষ্টকী সেক্রেটরি সোভাপটি সামোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

দেসামনা ওজাশিংবু...

লামায় ১গী মখা... তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়া অমদি মীয়ামগা পুন্না খোঙজং চঙশিনমিন্নরি অমদি লাঞ্জংমিন্নদুনা লাক্লি।

ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইগী নহাশিংনা মোরেল কেরেক্টর মাঙথরকপা, থকশি-খাশি খঙলক্তবগী অওনবা অমা লাক্লি। ওইরক্লিবা অওনবা অহোংবা অসি শেমদোক-শাদোকপা হায়বসি ওজাশিংগী মতিক ময়াইতনা ঙমগদবনি। ওজাশিংগী কোকথক্তা তারগা লৈবা রেস্পোন্সিবিলিটি অমনি। ওজা হায়বসি মীয়াম মরুওইনা মহৈরোয়শিংগী মীৎয়েংফমনি। ওজা ওইগদবা মীওইতনা ওজা ওইগদবনি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা থবক ফংদবগীদমক ওজা হেক্তা ওইশিনবা অসিনা ওজাশিংগী ভেল্যু হন্থরকপনি হায়না লৌবা য়াই। ওজা হায়বসি প্রোফেসন অমনি মরম অদুনা দেসামনা হৌখিবা চহীদগী মণিপুরদা ইন্টিগ্রেটেদ টিচরস এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম হাংদোকপীনবা য়াম্না কন্না তকশিন্দুনা লাকখিবনি। মদুগী মহৈ ওইনসু মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দক মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা কোলেজ ৪দা আই টি ঈ পি কোর্স হাংদোক্লবগী অয়াবা পীবীরকখি।

নাকল অমরোমদা, নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০২০ গী বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন, এলেবেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামগী ক্বেসন লিক ওইদুনা মহৈরোয়শিংবু দিমোরেলাইজ তৌখিবগী থৌদোক কয়া দেসামনা লৈপাক মীয়াম মাঙদা খঙহঞ্জখিবা লৈখি। ওজাশিংনা অরানবা পান্থে শীজিন্নবদা শৌগৎলম্বা কয়া, মহৈরোয়শিংনা থাগদবা এগজামিনেসনগী ক্বেসন পেপর লৈবা য়োনবগী থবক চত্থরম্বা কয়া দেসামনসু মতম চানা মীয়ামদা পাউদমদুনা হেক ঙল্লিবমখৈ শেমদোকচনবা হোৎনজখিবা পুন্নমক্লা খঙলবনি। ওজাশিংদা অমুবা মচু শংজিনগদবা মীওই খুৎপু গেং কয়া মীয়াম মাঙদা খুৎ থিন্দুনা তাকচখিবা অমদি মরাল লৈবশিং চৈরাক পীহন্নবা হোৎনজদুনা লাক্লি। পুন্নমক অসি দেসামনা ওজাগী শিনফম অসি য়াম্না মরুওইনা লুম্না লৌজবদগীনি হায়না ৱর্ল্ড টিচরস দেগী নুমীৎ অসিদা নীংশিংজবনি। মালেমগী ওজাশিংগী নুমীৎনা লাকপদা দেসামনা খুদোলপোৎশিং তম্বা ঙমদ্রবসু ওজাশিংবু ঈকায় খুম্নজরি, খুরুমজরি, মখা তানসু মতিং থোক্লা হেন্না ফবা খুন্নাইগী মরু চঙবা মহৈরোয় কয়া, যুম্বী কয়া লেপ্পা লৈতনা পুথোকপীরকপদা ওজাশিংগী মফমদা তাইবং মপুনা চোকথবা নাইদবা থৌনাগী পাঙ্গল পীনবীবা ওইরসনু হায়না দেসামনসু থৌনিজরি। ওজাশিংগী লমজিং লমতাক মখাদা দেসামনা লৈবাক্কী থবক থৌগলশিং পাংজবা ঙমজবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

GAS NEWS

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto : 27/08/2020
Valid from :18/08/20
Gas booking counter open at Tera bazar Office.
Time : 7.30am to 11.00am

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM : 28/07/2020
BOOKING UPTO : 29/07/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 16/08/2020
Valid from : 16/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG
Booking upto : 03/10/2020
Valid from : 19/09/2020
Please Contact: 7085412119/ 7085411559
Time: 7:30am to 10:30 am.

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 27/07/2020
Sl. No. upto - 60
Valid from : 25/07/2020
Only home del.
Cont. No. 7005934398, 7629076494. Whatsapp No. 9366502930. Office No. 6381538861.

M/S LAMBODARA INDANE SERVICE
Booking upto : 31/08/2020
Valid from : Nill
Delivery date : 05/10/2020
Home Delivery only.
For registration SMS IOC<space> 03852427434<space> consumer No. to 9089024365.
For booking SMS IOC to 9089024365.
Contact : +91 70053 82686 for enquiry. from 8 am 11:30 am

য়ুম শাবা ঙমজদবা ইমুং অমা ঐচ বি ৰাই সী সীনা শেল খায়গৎনদুনা য়ুম শাবিখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) : হিংসি অমদি হিংমিন্নসি হায়বা পান্দমদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা হৈরোক ব্লোক য়ুঠ কোংগ্রেস কম্মিটি (ঐচ বি ৱাস সী সী)না য়ুম লৈজদবা, অৱা-অনা, তোল্ল-তারবাশিংদা মতেং পাংবগী শরুক অমা ওইনা নোংমদা য়ুম অমা শারগা খুৎশিন্নবা হায়বা পান্দমগী শরুক ওইনা ঙসিসু য়ুম অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক এ সীগী শরুক অমা ওইনা হৈরোক পার্ট ৩ কবো লৈকাই পোল্লিং নম্বর ৩৩/২৬ দা লৈবা কোন্সম তোতো (৫৪) গী য়ুম শাবা লোইরদুনা খুৎশিন্নখ্রে।

ঐচ বি ৰাই সী সীগী প্রসিদেন্ট মাইবম তোমথিননা হায়খিবদা, সোসল মিদিয়া ফেসবুক, ৱাটসএপনচিংবদা অমদি লৈকাই অসিগী য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিনা থেংনবা মতমদা য়াম্না ফিভম কায়না য়ুম্ফম থোল্লুরগা শাবা ঙমদনা লৈবা উরুবদগী য়ুম অসি শাবদা মতিক চারে হায়বদু খনবদগী ঐচ বি ৰাই সী সীগী থৌমী খুদিংমক্লা অচঙবা শেল খায়গৎন্দুনা ফিভম কায়দুনা লৈরম্বা য়ুম অসি নোংনা অপনবা পীরবসু য়ুম্বুগী অৱাববু উরদুনা য়ুঠ কোংগ্রেসকী থৌমীশিংনা য়ুম অদু শাবা লোইশিনবদবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা নুমিৎ ৩ নি চঙনা য়ুমশাবা ৬ কা লোয়ননা শাবা লোইরদুনা য়ুম্বুদা খুৎশিন্নখিবনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই হৌখিবা থা সেপ্তেম্বরদসু এ সী অসিগী মনুং চনবা সলুংফম অমদি ঙসি য়ুম খুৎশিন্নরিবা কবো লৈকাই অসিমক্তদসু হান্না য়ুম অমমম খুৎশন্নখিবা লৈখ্রবনি।

ভি দি এফ পর্সনেল...

লামায় ১গী মখা... য়েংখোমনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, ওক্টোবর ৩গী অয়ুক পুং ৩ লোম তারকপদা ককচিংলোমদগী থৌবাললোম তম্না নহা অমা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লাকখি। মতম অদুদা সোরা আউট পোষ্টতা দ্যুটি তৌদুনা লৈবা ভি দি এফ রোজিৎকুমারনা নহা অদুবু মফম অদুদা লেপহনখি অমসুং আউট পোষ্ট অদুগী ইন-চার্জ এ এস আই এল সুরচন্দ্র অমদি অতোপ্পা পর্সনেলশিংদা পাউ পীখি। তুংদা নহা অদুবু চেক তৌবদা মীওই অদুনা পুরকপা বেগ অমগী মনুংদা দ্রিলিং মেছিন অমা য়াওরম্বা থেংনখি। লোয়ননা মহাক্কী মখ্বাংদা য়েৎলকপা অঙাংবা মচুগী টাৱেল অমা লৌথোক্লবা খঙহনখি। মদুদগী মীওই অদু মফম অদু থাদোক্তুনা আউট পোষ্ট অদুগী মনিং থংবা লৌবুকলোমদা চেনখি। মদুদগী পুলিস টিম অদুনা মহাকপু তান্নদুনা ফাখি। ফারবা মীওই অদুগী মমিং থৌদাম বিনোদ (৩০) কৌই। মহাক খোংজেম সাপম বজার মনিংদগীনি। মহাকপু ৱাহং-পাউহং তৌবদা ককচিং লমদোংদা লৈবা চেক শাফম অমদগী হুরাল্লকপনি হায়বা লুপা লাখ ১.২২ গী শেনফমসু রিকোভর তৌবা ঙমখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ককচিং পি এসনা এফ আই আর অমসু লৌখৎলে হায়রি।

মণিপুরগী ওদিও-ভিজ্যুএল ইন্টরেক্তিভ সোল্যুসন লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ মরক্তা য়াম্নমক তঙাই ফদ্রবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা মহৈরোয়শিংবু তাকপি-তম্বীনবা ওনলাইন টিচিং অসি মণিপুরদা হেন্না খুদোং চানবগীদমক ইরমদম অসিগী অহানবা ওইনা ৱাংখৈ অয়াংপল্লিদা লৈবা শ্রেথ করিয়র ইন্সটিট্যুট (এস সী আই) প্রাইভেট লিমিটেদনা শ্রেথ টেক্নোলোজিস হায়না মিংথোনবা ইন-হাউস সোল্যুসন অমা ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অদুদা চীং-তম ট্রষ্টকী ৱাংখৈরাকপম শ্রীমাননা চীফ গেষ্ট অমদি এন আই টি মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. শগোলশেম লেনিননা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা শ্রেথ করিয়র ইনষ্টিট্যুটকী ফাওন্দিং এন্দ মেনেজিং দিরেক্টর ডা. চোংথাম এন শ্রেথনা হায়খি, মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বদা অমদি ওজাশিংগা তাথোক-তাশিন তৌবদা ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা সোল্যুসন অসি শীজিন্নদুনা মফম অমদি মতম অমা হেক্তদা ইন্টরনেট কনেক্সন য়াওবা মোবাইল ফোন নৎত্রগা লেপতোপতগী শীজিন্নবা য়াবগী খুদোংচাবা পীরগনি। মসিনা ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী মরক্তা হেন্না ফবা মরী অমদি তোঙান-তোঙানবা ইন্টরেক্সন তৌবগী ফিচর কয়া অমা য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টগী মনুং চন্না লৈবা পৌরাবী মখা লৈকাইদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা য়াওরকপদগী য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে হায়না জোইন টাস্ক ফোর্স পৌরাবীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাহেংবম জনমেজ্ঞোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী সেকেন্দ ও সী ওইরিবা কোন্সম উমানন্দ, পৌরাবী মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি ৱাহেংবম প্রেমিলা অমসুং জোইন টাস্ক ফোর্সকী পৌরাবীগী থৌমীশিংনা পোজিটিভ ওইরবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা থবক থৌরম লৌখৎলকপা ঙাইদুনা য়ুমদগী মপান থোক্তনবা পাউতাক পীখিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংশিং অদুদা চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু তেংবাংখি হায়রি।

ৱারবা খুঞ্জাশিংদা লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী ষ্টাফশিংনা তেংবাংবিরকখিবগীদমক মরু ওইনা সেকেন্দ ও সী কোন্সম উমানন্দা, হাবিলদার দল্লিয়ু কানবথোই অমদি টাস্ক ফোর্স পৌরাবীগী প্রসিদেন্ট কোন্থৌজম কলাচান্দদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা লেংয়ান ফি খুদোল তমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

রিমস অমদি জেনিমসতা আই সী য়ু বেদ অহাংবা...

লামায় ১গী মখা... কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা তঙাইফদনা তুংদা লাইচৎ অসিগী ওইরক্কদৌরিবা খুদোংথিবশিং অসিদগী কনবা ঙমহৌনবা থেংলবসু থেংনা থৌরাং লৌখৎহৌবা চুমগনি। লৈঙাক্লা তোঙানবা কোভিদ-১৯গী হোস্পিটাল অমসু শারগনি হায়রবসু ঙসি ফাওবদা থবক ওইনা পাঙথোকপসু লৈত্রি। ষ্টেট অসিদা দেদিকেটেদ কোভিদ-১৯গী হোস্পিটাল অমা শেমগৎ-শাগৎপগী মথৌ তারে খঙনা-খঙনা ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা থৌশাদনা লৈবা মরম্না মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবগী ৱাকৎ কয়াসু ফোঙদোক্নরক্লি।

অমরোমদা রিমস অমদি জেনিমসকী লৈজরিবা আই সী য়ু বেদ অমদি তোঙান-তোঙানবা ফেসিলিটিশিং পুথোক্তুনা কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিংবু য়াম্না কন্না অঙন্বা থাক্তা লায়েংলবসু কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী মীশিং হেনগৎলকপা অমদি হোস্পিটাল অনী অসিদা লৈরিবা ফেসিলিটিশিংসু অকক্লবা ওইবা মরম্না পাকচাওনা অনা-লায়েংবা ঙমদবগী ফীভম অমদা লাক্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা য়াম্না অথুবা মতমদা অখন্নবা থৌরাং অমগী মতুংইন্না কোভিদ খক্তগী ওইবা হোস্পিটাল অমা শাবা নৎত্রগা অনা-লায়েংবগী খুদোংচবা লৈবা মফম অমা শিনবা মথৌ তাই। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনসু পুকচেল চাওথোকপা অমগা লোয়ননা মখোয়দা লৈরিবা আই সী য়ু বেদশিং হৌজিক্কী ওইনা মথৌ তারক্লিবা অসি য়েংলদুনা অঙম-অঙন্বা আই সী য়ু বেদশিং লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ লায়েংলিবা হোস্পিটালশিংদসু মতেং পাংবগী মথৌ তাই। লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়েংলিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লৌরিবা আই সী য়ুগী চার্জ তঙাইফদনা লায়রবা মীয়ামগী খন্দুনা হন্থবগী তঙাইফদবসু লৈরে হায়নসু ফোঙদোক্নরক্লি।

লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্তুনা অরুবা ফীভম অমদা লৈরবা মীওইশিংবু মতম চানা এম্বুলেন্স থারক্তুনা লৌখৎপীদবগীসু মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবগী ৱাকৎ কয়া ফোঙদোক্নরক্লি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না পোজিটিভ ওইরবা মীওই সিরিয়স ওইরে হায়রুবদা হৌজিক-হৌজিক এম্বুলেন্স লৈত্রি থারকপা ঙমখিরোই হায়রকপনা মতম চানা হোস্পিটালদা পুবা ঙমখিদে। অদুবু অনাবা মীওই অদুগী হকচাংগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লকপনা প্রাইভেট হোস্পিটালগী এম্বুলেন্স ওইনা ৱাইরগা হোস্পিটালদা পুখি হায়রি। অসিগুম্বা লৈবাক মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা লৈঙাক্লা য়াম্না অথুবা মতমদা কোভিদ-১৯ লাম্থেংননবা থবক থৌরমশিং খোংজেল য়ানা পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরে নৎত্রবদি লায়না-লাইচৎ অসিগী য়াম্না অরুবা ফীভম অমদা লাক্লগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না পাউচে অসিদা মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোরক্লি।

চানম পৱননা নাপী কক্লবা অনৌবা...

লামায় ১গী মখা... নাপী ককপা য়াগনি হায়না ৱাখলদা লাকখি অমসুং য়ু ট্র্যবতা চঙদুনা মেছিন অসি কমদৌনা শাবা য়াগদগে হায়না থিজিন-হুমজিনখি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অদু মঙফাওননবা শান্নরোয়শিংগীদমক য়াম্নসু কান্নজবা, হৌজিক হৌজিক্লা ৫-নাচৌ জিলা পরিষদ কনষ্টিট্যুএন্সিগী জিলা পরিষদ মেম্বর থিয়াম দীলিপ মৈতৈ (৫০) হায়রিবা মীওই অসিগা তান্নদুনা নাপী কক্লবা মেছিন অসি শানবগী ৱাফম খন্নখি। থিয়াম দীলিপ মৈতৈনসু মসিদি শাবা ওইথোকপা য়াই হায়না থাজবীবদগী অচঙবা শেনফম অদু মহাক্লা পুথোক্লগা, মেছিনগী মওং মতৌ অমসুং মনুংগী মেকানিকেলগী ওইগদবা মওং মতৌদি নহাক্লা ফনবা তৌরো হায়না দীলিপনা তাকপীখি।

মেছিন শাবদা চঙগদবা মচাকশিং লৈবদা অচঙবা শেনফমশিং চাউরাক্লা লুপা ৫৫,০০০ রোম জিলা পরিষদ মেম্বর ওইবীরিবা দীলিপনা পুথোকখি। অদুগা মহাক্কী মায়কৈদগীসু মতেক মতা লৈবদা লুপা ১০,০০০ রোম চঙদুনা মমাঙ থা সেপ্টেম্বর ১৫দগী মেছিন অসি শাবা হৌদুনা সেপ্টেম্বর ২১দা মেছিন অসিগী অহানবা চাংয়েং ওইনা শীজিন্নবা হৌখি। মেচিড় অসিদা জীপকী ক্রাউন অমা, বিয়ারিং ৫/৬, রোটেভেটেরগী জেইনিং, নাপী কক্লবা ব্লেদ শেম্নবা টাটা গাড়ীগুম্বগী স্প্রীং, প্লেন সীট অমসুং য়োৎ খরা চঙই। ট্রেক্টরগী রেভোল্যুসনস পর মিনিট (আর পি এ)গী মতুংইন্না নাপী কক্লবা অদুগী উংগদবা চাং অদু য়েংদুনা শেম্বনি। মেছিন অসি ফিট মখাইরোম পাকই। তৌবতবু মেছিন অসিনা নাপী ককপা ঙম্বগী অপাকপা অসিনা ফিট ৫গী চাংদনি। মসিনা মরম ওইরগা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা নাপী ককপদা নাপী অনেম্বা ওইরগদি পুং ২ দগী ৩ ফাওবগী চাংদা চঙই। অদুগা নাপী অৱাংবা অমসুং খরা হেন্না কনবা নাপী ওইরগদি পুং ৪/৫গী চাংদাচঙই। মেছিন অসিনা নাপী ককপা মতমদা খরা নেম্না নৎত্রগা খরা ৱাংনা নাপী ককপা য়াননবা এদজ ষ্টরসু য়াওরি। মেছিন অসিদা হৌজিক অহানবগী ওইনা পাল্লিবা/শীজিন্নরিবা ব্লেদ অসি ২ খক্তনি, ব্লেদ ২ অসিনা অদুমক্তি য়ারবনি তৌবতবু খরা হেন্না শীজিন্নবদা নুংঙাইনবা মথংগী মেছিন অসি শাবদদি ব্লেদ অসি ৩ শুহল্লগা খরগা হেন্না মোদিফাইদ তৌথোক্লগা শীজিন্নবা হেন্না নুংঙাইনবা হোৎনরি।

মেছিন অসি শাবা মতমদা লৈকায়গী খুনগী নহা ২/৩ নসু য়োৎ ককপা, য়োৎ শুবগী থবক্তসু মতেং পাংশিন্দুনা নুমিৎ ৫/৬দা শাবা লোইশিনখি। হৌজিক্তি খরা হেন্না খুৎলোয়রবনিনা মতম য়াম্না চঙহনদবা য়ারগনি। মহাক্লা শারিবা মেছিন অসিগা মান্নবা কম্পেনিগী ওইবা নাপী কক্লবা মেছিনসু ময়াম অমা লৈ। অদুবু মমলদা লুপা লাখ ২গী মথক্তা লোইনা পীবনিনা মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমত্তনা লৈনদে। মহাক্লা শীজিন্নরিবা মেছিন অসিদি লুপা লিশিং ৮০ দগী ৮৫ ফাওবদা য়াম্না হোংনা য়োন্দুনা মণিপুরদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনদা ফংহনগে হায়না খল্লি। মহাক্লা মেছিন অসি পুথোক্লবা হোৎনরকপদা অচৌবা শেল পুথোকপীখিবা ৫-নাচৌ জিলা পরিষদ কনষ্টিট্যুএন্সিগী জিলা পরিষদ মেম্বর থিয়াম দীলিপ মৈতৈ অমসুং মেছিন অদুবু শাবদা তেংবাংলকখিবা পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

এম য়ুগী ওজা অমগী মথক্তা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন্দা...

লামায় ১গী মখা... থারকখিবা ওফিসল ওইবা চেরোল (নম্বর- ১১২-১৩/২০০৪(আই সী-২)গী মতুংইন্না সেন্টর অসিগীদমক 'রিদর'গী ফেকল্টি পোজিসন অমা সেঙ্কসন তৌরকখি হায়রি। সেঙ্কসন তৌরক্লিবা পোষ্ট অসিগী তোলোপ য়ু জি সীনা চাদা ১০০ গী বেসিসতা পুথোক্কনি। অদুম ওইনমক সেঙ্কসন তৌরক্লিবা ফেকল্টি পোজিসন অসি প্রোজেক্ট অসি কুমজা ২০০৯ গী মার্চ ৩১ দা লোইশিনবগা লোয়ননা 'কো-টর্মিনস' ওইগদবনি হায়বা ৱাফমসু ময়েক শেংনা পল্লকখি হায়রি।

অদুম ওইনমকয়ু জি সীগী প্রোজেক্ট অসি লোইবগা কো-টর্মিনস ওইগদবা রিদরগী ফেকল্টি পোজিসন অসিগীদমক এম য়ুনা এদভর্টিজমেন্ট থোকপদদি য়ু জি সীগী গাইদলাইনশিং অসি পন্থোক্তনা নমথাক তৌরগা পোষ্ট অসিবু রেগ্যুলর/পর্মিনেন্ট পোষ্ট ওইনা এদভর্টিজমেন্ট থোকখি হায়রি।

পোষ্ট অসি মেনশিন্নবগীদমক থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অদুগী নম্বর- ৩(বি)/২০০৮নি। মসি কুমজা ২০০৮ গী জন্যুৱারী ২৩দা মতম অদুদা মহৈকোল অসিগী রেজিষ্ট্রার ওইখিবা প্রো: এন লোকেন্দ্রনা থোকপনি হায়রি। কমপ্লেন্ট অসিনা মসিগী মতাংদা হায়রিবনা রিদরগী পোষ্ট অসিগীদি প্রোজেক্ট অসিগী মতম লোয়বগা কো-টর্মিনস ওইগদবনা মহৈকোল অসিগী অতোপ্পা রেগ্যুলর পোষ্টশিং লৌনবগী এদভর্টিজমেন্ট তৌবদা পুনশিল্লগা তৌফম থোক্তে। মরমদি রিদরগী পোষ্ট অসিগীদি প্রোজেক্ট মোদ অসিগী মতুংইন্না ভেলিদিটি লৈ হায়বসিনি।

অমরোমদনা এদভর্টিজমেন্ট তৌখ্রিবা রিদরগী পোষ্ট অসিগী ইসেন্সিএল ক্বালিফিকেসন্না গুদ একাদেমীক রেকোর্দকা লোয়ননা ডোক্টরেট দিগ্রী নৎত্রগা মসিগা মান্নবা পব্লিশ ৱর্ক লৈবা ওইগদবনি। মসিগী মথক্তা আউটসাইট য়ুনিভর্সিটি সিষ্টমদগী লাকপা কেন্দিদেটশিংগীদমক্তদি মাষ্টরস দিগ্রী লেবেলদা য়ামদ্রবদা চাদা ৫৫গী চাংদা মার্কশিং ফংগদবনি। নৎত্রগা সভেন পোইন্ট স্কেলদা 'বি' গ্রেদকা মান্নবগা লোয়ননা লেট্টর গ্রেদ ০, এ, বি, সী, দি অমসুং ঈ এন্দ এফ য়াওগদবনি হায়রি। পুন্নমকসিগী মথক্তা চহী ৫গী টিচিং এক্সপরিএন্সসু লৈগদবনি হায়খি হায়রি।

অদুবু রেজিষ্ট্রার প্রো: এন লোকেন্দ্রনা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অসিগী মতুংইন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা থোকখিবা মসিগী ওফিস ওর্দর নম্বর- এম য়ু/৩-৩১৮/০৯/এফ সী ৱাই/১০১ (তাং ২৪/০৪/২০০৯) গী মতুংইন্না ডা: এন: বিজয়ালক্সমি ব্ররা কৌবী কেন্দিদেট অমবু প্রোজেক্ট অসিগী রিদর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখি হায়রি।

লোয়ননা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন্দা ফাইল তৌখ্রবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অসিনা হায়বদা কেন্দিদেট অসিবু রিদর ওইনা খঞ্জিনখিবা অসি এদভর্টিজমেন্টতা পনখিবা পোষ্ট অসিগী ইসেন্সিএল ক্বালিফিকেসনগী মায়োক্তনি হায়রি। মরমদি মহাক মাষ্টরগী দিগ্রী (সোসিওলোজি)দা মার্ক চাদা ৫৩.২ খক্তমক ফংবীনি। অদুগা মহাক্লা পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লায় তৌরকপা মতমদা চহী ৫গী টিচিং এক্সপরিএন্স লৈখিদবী কেন্দিদেটনি হায়রি।

মহাক্লা মহাক্কী মাষ্টরগী দিগ্রীদা মার্ক চাদা ৫৩.২ খক্তমক ফংই হায়বা ৱাফমসি এম য়ুগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল (ঈ সী)গী চৎলিবা কুমজা ২০২০ গী মার্চ ৫, ৬ অমসুং ৯দা পাঙথোকখিবা মীটিংগী প্রোসিদিংদা ময়েক শেংনা পল্লি হায়রি। মহাক্তি linkedin.com গী মতুংইন্না মহাকপু এম য়ুনা এপোইন্টমেন্ট পীদ্রিঙৈদা 'ইন্টরনেসনল ফন্দ ফোর এগ্রিকলচরেল দিভলপমেন্ট' (আই এফ এ দি)দা মার্চ, ২০০৬ তগী মার্চ, ২০০৯) ফাওবগী চহী ৩গা থা ১গী ওইনা জেন্দর অমসুং এন জি ও কো-ওর্দিনেটর ওইনা থবক তৌরমখিবনি হায়রি।

মরমশিং অসিনা মহাক্কী রিদর ওইবগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অসি হায় লেভেল করপসন অমসুং মিসয়ুজ ওফ ওফিসকী থৌওংনি হায়নসু ক্লেম তৌখি। মরমদি ক্বালিফাইদ নৎত্রগা ইলিজিবল ওইদ্রবা কেন্দিদেট অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা কনষ্টিট্যুট তৌবা স্ক্রীনিং কম্মিটি অমদগী অহানবা ওইনা ক্লিয়ারেন্স ফংখি। সেলেক্সন কম্মিটিদগী রেক্কমেন্দেসন ফংখি অদুগা মমৈথংদা এগজিক্যুটিভ কাউন্সীলগী রিজোল্যুসন নম্বর- ৪(৮)(এ)/৭/১৫.২.২০০৯ গী মতুংইন্না এপ্রুভেল ফংখি হায়রি।

পুন্নমকসিগী মথক্তা সেন্টর ফোর মণিপুর ষ্টদিজগুম্বা এসোসিএট প্রোফেসরনচিংবা রেগ্যুলর বেসিসতা হাপ্পবগী প্রোভিজন লৈতবা য়ু জি সীগী এরিয়া ষ্টদি প্রোগ্রাম অসিদা কেন্দিদেট অসিগী অশেংবা/অচুম্বশিং খঙনা খঙনা মহাকপু হান্না এপোইন্টমেন্ট পীখিবা রিদরগী পোষ্ট অসি এম য়ুগী কুমজা ২০১৩ গী জন্যুৱারী ২৩দা থোকপা ওফিস ওর্দর নম্বর- এম য়ু/৩-৩১৮/০৯/ এফ সী ৱাই/১৩৫৯গী মতুংইন্না এসোসিএট প্রোফেসর ওইনা দিজিগনেট তৌথোকখি হায়নসু ফোঙদোক্লি। মসিসু লুপা ৩৭,৪০০ - লুপা ৬৭,০০০গী পে বেন্দ-৪গী তোলোপ লৌবা য়াহনবগী রেগ্যুলর বেসিসতনি হায়রি। এ জি পিগী লুপা ৯,০০০সু য়াওবা তোলোপকী চাং অসি কুমজা ২০১২ কী মার্চ ২দগী লৌবদা অয়াবা পীখি। মহাকপু রিদরদগী এসোসিএট প্রোফেসরদা দিজিগনেট তৌবগী এপ্রুভেলনা এগজিক্যুটিভ কাউন্সীলগী কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ৪গী রিজোল্যুসন নম্বর-৯(৪)/১৬ না অয়াবা পীখি হায়রি।

কমপ্লেন্ট অসিনা মখা তানা হায়বদা য়ু জি সীনা সেন্টর ফোর মণিপুর ষ্টদিজগীদমক কুমজা ২০০৫-০৬ তগী ২০১৭-১৮ ফাওবদা নন-সেলরি গ্রান্ট-ইন-এইদ ওইনা লুপা ৭০,৯৩,০০০ পীরক্লম্লবসু সেন্টর অসিগী ফন্দিংদি মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল ১ দগী লেপখ্রে হায়রি। লোয়ননা কেন্দিদেট অসিবু রিদর ওইনা খনবদগী এসোসিএট প্রোফেসরদা দিজিগনেট তৌবা ফাওবগী ওইনা এদভর্টিজমেন্ট থোকপদগী হৌরগা চথরক্লিবা প্রোসেস পুন্নমক মতম অদুগী সেন্টর ফোর মণিপুর ষ্টদিজগী দিরেক্টর প্রো: অমর য়ুম্নামগা মতমদুগী রেজিষ্ট্রার প্রো: এন: লোকেন্দ্রগা চাউনা লৌতুনরগা চত্থখিবা থৌওং ওইগদ্রা হায়বা ৱাফমসু সী ভি সীদা পীখিবা রিপোর্টসিদা পল্লি। মরমদি প্রো: অমর য়ুম্নমনা সেন্টর অসিগী দিরেক্টর ওইনা চহী ৩/৩গী থেঙ্খাং অনীরক (ওগষ্ট ৭, ২০০৭ তগী ওগষ্ট ৬, ২০১০ অমসুং ওগষ্ট ৭, ২০১০ দগী ওগষ্ট ৬, ২০১৩) ফাওবা থবক পুরমখি হয়রি। অদুগা প্রো: এন: লোকেন্দ্রনা রেজিষ্ট্রার ওইনা জুলাই ১৭, ২০০৭ তগী ওক্টোবর ৪, ২০১৩ ফাওবা পুরমখি হায়রি।

মরমশিং অসিনা অচৌবা ইরিগ্যুলরিটিগী থবকশিং অসিদা চেন্নবশিংগী মথক্তা থিজিনবীরগা চেন্নবশিং ফবীয়ু হায়রি।

নাকল অমরোমদা, সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসনগী দিরেক্টর জে: বিনোদ কুমারনা থা অসিগী ১ দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর- ১৩/১০/২০ গী মতুংইন্না মশাগী সর্ভিসতগী পোত্থারগদবা অকক্লবা ওফিসলশিংগী মায়োক্তা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং/এক্সন লৌখৎকদবা লৈরবদি মখোয়গী রিটাইয়রমেন্ট অদুগী থা ১গী মমাঙদা খঙহল্লক্লবা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স ওফিসর (সী ভি ও) পুন্নমক্তা খঙহনখ্রে।

SARASWATI INSTITUTE OF MANAGEMENT & PARA-MEDICAL SCIENCES
Opp. to 6th IRB, MPTC Pangei, Imphal East
Affiliated to Manipur University & Approved by the Ministry of HRD, New Delhi
Contact No. : 98565 75163 / 94022 33554
Email : plusphijam27@gmail.com www.simpsimphal.com
100% Job placement
ADMISSION NOTICE
Estd. since 2016

B.Sc. (MLT, RIT, OTT)
B.Sc. Forensic Science
Diploma in Pharmacy
Diploma (MLT, RIT, OTT, DIALYSIS)
Last date of Form Submission 10th September 2020

ADMISSION OPEN
100% Job Placement
COURSES OFFERED

HL-B/6322/20/08-19/09 (alt)

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR
NEET(UG) ASPIRANTS - 2021
- FEE CONCESSION FOR SCORING 70% TO 90% IN HSE.
- FREESHIP FOR RANKER'S IN HSE/HSLC EXAMINATION.
- FEE CONCESSION FOR NEET(UG) NON FRESHER STUDENTS.

Class Starts :- Mid October, 2020 Office Timing :- 7.00 a.m to 3.00 p.m.
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.
HL-B/6389/3/10-3/11 (alt)

মপোক-কুমওন থৌরম...

লামায় ১গী মখা... ইশানা ইশাবু হান্না শকখঙজগদবনি। লোয়ননা অপুনবনা পাঙ্গলনি হায়বসিদা ঐখোয় চপ চানা থাজবা থমদুনা থোরক্লবা মীওইশিংনি। মরম অদুনা মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু হায়না থৌরম অদুদা প্রিসাইদ তৌখিবা নবশ্যামনসু ফোঙদোকখি।

কনভেন্সন অসিগী মণিপুর চেপ্টরগী ওইনা দা. পুয়াম রাকেশনা প্রসিদেন্ট অমসুং কে ঐচ সোরজিৎনা সেক্রেটরি ওইনা খনখি হায়রি।

পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ ওইদুনা...

লামায় ১গী মখা... তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিং অমদি কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি সী এ পি এফকী ১৩, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকখিবা ২, রিমসতা ১২, সী সী সী য়ুনাক্কোদগী ২৭, আর পি ককচিংদগী ৩, সী সী সী লম্বোই খোংনাংখোংদগী ২৫, সেনাপতিদগী ২, সী সী সী লমদিংগী ১, সী সী সী থৌবালদগী ১৪, সী সী সী জিরিবামদগী ১ অমসুং জেনিমসতগী ২৪ নি।

হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা পোজিটিভকী মশিং অসি ১১,৮৫৫ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৯৪৫০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৪০৫ য়াওরি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশিংনা ৯২০৫ নি। ফগৎলক্লবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৭১২৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২০৭৮ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৭৪.৬৭নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ২৫৭৬না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২২৫২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩২৪ য়াওরি।

Every pregnant women should get tested for HIV during the first 3 months of pregnancy to prevent HIV transmission to their child.
HIV test is available free of cost at Integrated Counseling & Testing Centre (ICTC) at all govt health facility & nursing homes.
For more information call AIDS helpline no
1097
MACS
NACO
HL/B/6425/1 to 29 Oct. alt.

[illegible]
ONLINE DRAFTING & EDITING

- NO MORE WORRIES ABOUT WRITING IN ENGLISH
1. Application drafting and editing for all purposes.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing articles for newspaper and magazines.
4. Drafting applications or representations.
5. Editing applications or representations.
6. Classes IX to XII home work and project work are also done to help students.
7. Translation from Manipuri into English.

** The above services are provided in English only through online.

For details please contact :
8974642764
Or write to :
phoenixrhymeschool@gmail.com
HL-B/6353/4/9-2/10 (alt)